

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, JULY 24, 2018 **PAGE 7**

*ন্যুপোর্ট ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাহৌরবা মতুং কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা রেঙ্কিং ওইরিবা ১১৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই রামকুমার রামানাথন*

*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী কুমজা ২০১৮-১৯ সিজনদা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ওন্নবগীদমক লীগ অসিগী ক্লব অমা ওইরিবা এফসি পুনে সিটিদা নৌনা সাইনা তৌহখ্রবা রোবিন সিংহ*




## লেট গোল অনীনা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্বু মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*কোলা লম্পুর, জুলাই ২৩ঃ*

লেট গোল অনীনা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিম্বু মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়া চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌরকপদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা মায়কৈ অনীদগী অকনবা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই গিভসন অমসুং রিদজনা মালেসিয়াগী দিফেন্স লাইন অদু নমখাইদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা অদু খুদোংচাবা ফংদনা লৈখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৫ রোম টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর মুহদ নাজমুদ্দিননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনদুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোৎদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মালেসিয়াগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা তৌশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু মালেসিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।



*মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগা শান্নবদা য়াওখিবা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম*

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না ইন্দিয়াগী টিম্বু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল শোৎদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌশিন্দুনা লাকখি। শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা ফ্রি কিক অমা বিকেনা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি। মিনট ৩ লৈরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা ফংখিবা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু মাঙজখি।

শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা তৌশিল্লকখিবা এটেক অমদা ভিক্রমনা পীরকপা ক্রোস অমা টিমমেট রভিনা কাওশিনবদা মালেসিয়াগী গোলকিপরনা ফাখিবদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু ইন্দিয়ানা মাঙজখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়ানা কোর্নর অহুম ফংবা ঙমখি। অদুবু পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা পাঞ্জল অমগা চনশিনখিদুনা মালেসিয়ানা ইন্দিয়াবু ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শোৎখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ইনজুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

## মমাঙগী চেম্পিয়ন নেদরলেন্দসনা সাউথ কোরিয়াবু ৭-০ দা থোইখ্রে, আর্জেন্টিনা অমসুং ন্যু জিলেন্দসু মায় পাকখ্রে





*লন্দন, জুলাই ২৩ঃ*

ইংলেন্দদা চথরিবা হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী পুল 'এ' গী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন নেদরলেন্দসনা সাউথ কোরিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৭-০ দা মায়থিবা পীখ্রে, আর্জেন্টিনা অমসুং ন্যু জিলেন্দসু মখোয়-মখোয়গী পুল মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

নেদরলেন্দস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা পুল 'এ' গী মেটচ অদু হেক হৌবদগী নেদরলেন্দসনা খুদুম চন্দুনা লৈখি। শান্নবগী অহানবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই মাল্টানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল ওইদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। ৪শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ৱেল্টেননা ফিল্ড গোল অমদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

৯শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী ভান মাটেনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মাল্টানা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ফিল্ড গোলদা চন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু ৪-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

১৪শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই জোঙ্করনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা হাপচিনবা ঙমখি। ১৭শুবা মিনটতা টিম অসিনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা লিয়ুরিঙ্কনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা অহানবা হাল্ফ লোইশিনদ্রিঙৈদা পাঞ্জল ৬-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।



*ৱুমেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপকী নেদরলেন্দস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা মেটচকী মতাং*

শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী মখা তাবা এটেক অমদা ভান মালেনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু ৭-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩০ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু নেদরলেন্দসনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৭-০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা পুল 'সি' গী মেটচ অমদা আর্জেন্টিনানা স্পেনবু পাঞ্জল ৬-২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোই সালভাটেলোনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চন্দুনা আর্জেন্টিনাবু ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোৎদুনা লৈরিবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিং শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নরদা টিম অদুগী শান্নরোই জাঙ্কুনাসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখি।

শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই ওর্টিজনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ২২শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী অতোপ্পা শান্নরোই সঞ্চেজ মোসিয়া পাঞ্জল অমা হাপচিনখি। শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ওর্টিজনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা স্পেনবু পাঞ্জল ৪-১ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা মেরিনোনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমখ্রবা মতুং ৪৮শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী অতোপ্পা শান্নরোই বারিওন্যুভোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা স্পেনবু ৬-১ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা পেরেজনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা আর্জেন্টিনাদগী পাঞ্জল ২-৬ দা শোৎদুনা লৈখ্রবা মতুং মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু আর্জেন্টিনানা স্পেনবু পাঞ্জল ৬-২ দা মায়থিবা পীখি।

হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা পুল 'দি' গী মেটচ অমদা ন্যু জিলেন্দনা বেলজিয়মবু ৪-২ দা মায়থিবা পীখি।

ন্যু জিলেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু স্মিথ (২৪শুবা মিনট), গ্লোইন (৩২মিনট) অমসুং মেরি (৩২শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনট) তা চনখিবনি। অদুগা বেলজিয়মগী পাঞ্জল অনী অদুনা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ভরসাভেলনা অমা অমসুং শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা বুননা অমা চনখিবনি।

## য়ুএসএগী ষ্টিভ জোন্সননা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথনবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্লগা ন্যুপোর্ট ওপন এটিপি টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে


*ন্যুপোর্ট, জুলাই ২৩ঃ*

য়ুএসএগী সিটি ন্যুপোর্টতা চথরকপা ন্যুপোর্ট ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথনবু য়ুম্বু লৈবাক য়ুএসএগী ষ্টিভ জোন্সননা মায়থিবা পীরম্লগা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথনবু য়ুএসএগী ষ্টিভ জোন্সননা পুং ২রোম চঙনা শান্নরবা মতুং সেট ২-১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন ন্যুপোর্ট ওপন টেন্নিসকী ফাইনেল য়ৌরকপা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা এটিপি টুর লেভেলগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা ওইরি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সিঙ্গলস শান্নরোই লিয়েন্দর পেসনা কুমজা ১৯৯৮ তা পাঙথোকখিবা হোল ওফ ফ্রেম টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমনা এটিপি টাইটল লৌবা ঙম্বা ওইখিবনি।



ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকপদগী গেম ৫-৫ মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপদা থংনবা গেম অনী য়ুএসএগী ষ্টিভ জোন্সননা লৌখিবদগী সেট অদু ৭-৫ দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী রামকুমারদগী মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা শোৎদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা অনীশুবাসেট অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী য়ুএসএগী শান্নরোই ষ্টিভ জোন্সনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা য়ুএসএগী শান্নরোই ষ্টিভ জোন্সনগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা শান্নরকপদগী ইন্দিয়াগী রামকুমারগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইখিবদগী ন্যুপোর্ট ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

রন্নর্স অপ তাখ্রবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন এটিপি পোইন্ট ১৫০ ফংদুনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী পোজিসন ৪৬ হাইগৎলগা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা পোজিসন ওইনা ১১৫ দা লৈবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রি পোজিসন অমা হন্থরগা ৮৬শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## মণিপুরগী ধিরজনা লা লীগা ৱার্ল্ড টুর্নামেন্টকী ঙসি মেলবর্ন সিটি এফসিগা শান্নগদবা মেটচতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা শরুক য়ারগনি

*কোচি, জুলাই ২৩ঃ*

কেরলাগী সিটি কোচিদা হয়েংদগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা লা লীগা ৱার্ল্ড টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা মণিপুরদগী হৌখিবা গোলকিপর মোইরাংথেম ধিরজনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ লীগ ক্লব মেলবর্ন সিটি এফসিগা শান্নগদৌরিবা অহানবা মেটচতা শান্নরগনি।

মণিপুরদগী হৌখিবা মোইরাংথেম ধিরজ সিংহ কুমজা ২০১৭ দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি।

ধিরজ কেরলা ব্লাষ্টর্সতা শরুক য়াদ্রিঙৈদা স্কোটিস ক্লব মান্দরৱেলদা ত্রাইয়েল চথরবা মতুং ইংলেন্দগী খ্বাইদগী চাওবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা বোর্নমাউঠ ক্লবতা ত্রেনিং চথখিবনি।





কেরলা ব্লাষ্টর্সকী টিম কুমজা ২০১৭-১৮ গী ইন্দিয়ান সুপর লীগ সিজনদা ৭শুবা পোজিসন তাহৌবনি। অমরোমদা হয়েং মখোয়গা অহানবা ওইনা লম্বা তৌগদৌরিবা মেলবর্ন সিটি এফসিগী টিম ওষ্ট্রেলিয়াগী এ-লীগতা সিজন অসিদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

টিম ৩ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রি-সিজন টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব জিরোনা এফসিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব মেলবর্ন সিটি এফসিনা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা লম্বা তৌনগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোইশিংনা শরুক য়াদুনা শান্নগদবা মরম্না শান্নরোইশিংগী মরক্তা অহেনবা মশান্না কয়া উবা ফংলগনি লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদগী ফংলকপা এক্সপরিয়েন্সনা তুংদা পাঙথোরক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা মতেং ওইরগনি হায়না মেলবর্ন সিটি এফসিগী কোচ ৱারেন জোয়সিনা পাওমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী সাইক্লিং টিমদা স্বিটজরলেন্দ এম্বেসিনা ভিজা পীবা য়াখিদ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৩ঃ*

স্বিটজরলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫ দগী লৈবাক অদুগী সিটি আইজলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী সাইক্লিং টিমদা স্বিটজরলেন্দ এম্বেসিনা ভিজা পীবা য়াখিদ্রে।

স্বিটজরলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মালেমগী মকোক থোংবা সাইক্লিং টিমশিংনা শরুক য়াদুনা নুমিৎ ৪নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী জুনিয়র সাইক্লিং টিম অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ৩ গা লোয়ননা পুন্না মেডল ৪ লৌবা ঙমখিবনি।

স্বিটজরলেন্দ এম্বেসিনা সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা মরম কয়া অমা পীশিল্লক্লগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী সাইক্লিং টিম অমসুং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ারুগদবা ওফিসিয়েলশিংদা ভিজা অসি পীরকখিদবনি হায়রি।

অমরোমদা সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ৱার্ল্ড জুনিয়র ট্রেক্ত চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াননবা খনগৎখিবা সাইক্লিং টিম অদুগীদমক মথৌ তাবা চেচাংশিং মরুওইনা চথোক-চৎশিনগী টিকেট অমসুং লৈফম হোটেলনচিংবগী দোক্যুমেন্টশিং স্বিটজরলেন্দ এম্বেসিনা থাজিনখিবসু লৈখ্রে।

ভিজা এপ্লিকেসন পীশিনবগী মতম অসি শান্নরোই অমনা চৎকদৌরিবা নুমিৎ অদুদগী চয়োল অহুমগী মমাঙদা এপ্লাইদ তৌগদবনি। লোয়ননা মখোয়-মখোয়না পায়রক্কদবা পাসপোর্ট অদুসু য়ামদ্রবদা থা ৩ গী ভেলিদিটি লৈগদবনি হায়না ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওফিসিয়েল সাইটতা ফোঙদোকখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী জুনিয়র সাইক্লিং টিম অসি কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়র সাইক্লিষ্ট ইন্টরনেসনেলি (য়ুসিআই) গী টিম স্প্রিন্ট কেটেগোরিদা মকোক থোংবা ঙমখিবনি।

## ৱার্ল্ড জুনিয়র স্কৱাসতা ইন্দিয়াগী টিম ৫শুবা সিদেদ ওইখ্রে

*চেন্নাই, জুলাই ২৩ঃ*

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা থা অসিগী ২৪ দগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম ৫শুবা সিদেদ ওইখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক ২৪না শরুক য়াগনি। ইন্দিয়াগী টিম্না গ্রুপ 'ই' দা স্বিটজরলেন্দ অমসুং সাউদি অরাবিয়াগা লম্বা তৌনগনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২৯ দা শান্নগনি।

কুমজা ২০১৬ তা পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম অসি রন্নর্স অপ তাহৌবনি। টিমগী ওইনা ইজিপ্তনা অহানবা সিদেদ ওইরি।

## আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টর্সমেন জর্মন ওপন টেন্নিসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

*বর্লিন, জুলাই ২৩ঃ*

আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই দিএগো স্বার্টর্সমেন নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা জর্মন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টর্সমেননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা নোরৱেগী কেস্পর রুদপু সেট অহুম চঙনা শান্নখিবা মেটচতা ৬-৪, ২-৬, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

আর্জেন্টিনাগী স্বার্টর্সমেননা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা



মেক্সিমিলিয়ান মার্টেনরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪ দা থোইরম্বা দেনিয়েল মাসুরগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়রনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী রামোস ভিনোলাসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়রনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ইটালিগী মার্কো সেচিনাটোগা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

জর্মন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী আর মোলেকর অমসুং স্লোভাকিয়াগী জেক কোভালিক শান্নরগনি।

জর্মনিগী আর মোলেকরনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী দেবিদ ফেররবু ৭-৫, ৫-৭, ৬-৩ দা থোইরম্বনি। অদুগা স্লোভাকিয়াগী জে কোভালিকনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই দামির জুমহুরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙলকপনি।